হুইয়েন লানপাউ
Refreshingly Reliable
HL
The messenger of the masses

পেচু লম্পাক্তা পাঙথোকপা মেরিটোরিয়স এৱার্দ দিষ্ট্রিব্যুসন কম প্রাইজ দিষ্ট্রিব্যুসনগী থৌরমদা ৱার্ক্স মিনিষ্টর টি ঐচ বিশ্বজিৎনা ৱা ঙাঙবগী শক্তম

নেসনল হাইদ্রো পাৱর কোর্পোরেসন (এন ঐচ পি সী), লোক্তাক পাৱর ষ্টেসন্না শীন্দুনা ষ্টেসন অসিদা পাঙথোকপা নেসনল পব্লিক রিলেসন দে থৌরমগী শক্তম

ইরোম খুনৌ কম্যুনিটি হোলদা তোঙান-তোঙানবা কাঙলুপকী লুচিংবশিং য়াওবা ইরোম টু কৈরক লোকেল কম্মিটি শেম্বা অমদি ৱাশক লৌবগী থৌরম

দি জি এ আরগী মীৎয়েং মখাদা আই জি এ আর (সাউথ) না শীন্দুনা ইম্ফালগী খুমন লম্পাক্তা পাঙথোকপা অসাম রাইফলস এক্স-সার্বিসমেন রেল্লি

Vol. 41, Issue No.030 নোংমাইজিং, শজিবু ২৭ নি পানবা অপুনবা লামায় মশিং ১২ HUEIYEN LANPAO, Sunday, April 23, 2017, Imphal www.hueiyenlanpao.com RNI No. 40746/1978 ₹ 4.50

অ ঈং-অশাগী পাউ

মফম	খ্বাইদগী শাবা	খ্বাইদগী ঈংবা
বিষ্ণুপুর	এন এ °C	এন এ °C
চান্দেল	২৮.২০ °C	২১.৬২ °C
সীসীপুর	২৬.৬০ °C	১৬.৩০ °C
ইম্ফাল	২৬.০৮ °C	১৮.২৪ °C
সেনাপতি	২২.৭৪ °C	১৭.২২ °C
তমেংলোং	২৭.৭৪ °C	১৯.৭৬ °C
থৌবাল	এন এ °C	এন এ °C
উখ্রুল	১৬.৭১ °C	১২.৭৪ °C
মণিপুর	২৮.৫১ °C	১২.৭৪ °C

মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ০.৮৬ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৪.৪৫
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৫.৪০
দিরেক্টোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট,জি ও এম

এৱার্দ পীরগনি

ইম্ফাল, এপ্রিল ২২: কলচরেল ফোরম মণিপুরগী একজিক্যুটিব কম্মিটিগী মীফমনা মণিপুরগী নাৎকী ওইবা তোঙান-তোঙানবা হীরমদা কখোক্লবা অমদি হৈথোই-শিংথোইরবা মীওইশিংদা এৱার্দ পীগদবশিংগী মমিং লাউথোকখ্রে। কলচরেল ফোরম লাইফটাইম এচিভমেন্ট এৱার্দ-২০১৭গী ওইনা নট সংকৃতন ঈশৈদা খোংমন মংজিনদগী তখেলচংবা ঙানবা শর্ম্মা, নট সংকৃতন পুঙদা খাম্রাম অৱাং লৈকায়দগী থোকচোম কেরানি, খোংজোম পর্ব্বদা ককচীং ৱাইরিদগী শৌগাইজম শামু, শুমাঙ কুম্মৈদা ৱাঙ্খৈ নিংথেম পুখ্রি মপালদগী হঞ্জবম নন্দকিশ্বর শর্ম্মা অমসুং মাইবীদা থাংমৈবন্দ হিজম দেৱান লৈকায়দগী লাইশ্রম বারুনিদা পীরগনি হায়রি। এৱার্দ অসি মে ১৮ দা য়েন্থোক্কনি হায়রি।

ষ্ট্রাইক চত্থরগনি

ইম্ফাল, এপ্রিল ২২: লৈবাক শীনবা থুংদা পোষ্টেল দিপার্টমেন্টকী গ্রমিন দাক সেবক য়ুনিয়ননা থা অসিগী ২৫গী অয়ুক পুং ৬ তগী হৌগদৌরিবা মতম কক্তবা ষ্ট্রাইক অসিদা মণিপুর দিভিজনসু শরুক য়ারগনি হায়না দিভিজন অসিগী সেক্রেটরি এস য়াইমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। তাল্লিবা দিমান্দদি জি দি এস ইমপ্লোয়ীশিংগী সার্ভিস কন্দিসন অমদি ৭শুবা পে কম্মিসনগা মরী লৈননা শেমখিবা কম্মিটিগী রেকমেন্দেসনশিং চৎনহনবীয়ু হায়বসিনি।

FOREX (INDIA RUPEES)

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	69.343759
US Dollar	64.653000
British Pound	82.862517
Australian Dollar	48.774223
Chinese Yuan Renminbi	9.390823
Japanese Yen	0.592739
Malaysian Ringgit	14.700546
Nepalese Rupee	0.626786
Russian Ruble	1.145517
Singapore Dollar	46.289826
South Korean Won	0.056986
Thai Baht	1.882732
Myanmar Kyat	0.04793
Bangladesh Taka	0.78197

Spot Gold (24K) Rates/10gm

Chennai	–	Rs 30352.94
Mumbai	–	Rs 30866.31
Delhi	–	Rs 30481.28
Kolkata	–	Rs 30737.97

HL POLL

Q : BOSEM na louba HSLC Exam da subject ayambagi wahang lallibasi cheirak pifam thoktabra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q: Advocate General gi fam mayangda haplakkani haibasi houjik oiriba fibamsida oithokkani khanbra?

Yes 29% No 71%

অস! লোইরেহে!

মহৈরোয় অমত্তা লৈতবা স্কুলসিদা ওজাহোয়দি নুংঙাইনা লৈরক্লেদা...!

ꯃꯍꯩꯔꯣꯏ ꯑꯃꯠꯇꯥ ꯂꯩꯇꯕ ꯁ꯭ꯀꯨꯜꯁꯤꯗꯥ ꯑꯣꯖꯥꯍꯣꯏꯗꯤ ꯅꯨꯡꯉꯥꯏꯅꯥ ꯂꯩꯔꯛꯂꯦꯗꯥ...!



সার, ৱাখ্রবজাৎনিদা ফম্বসিসু...!

ꯁꯔ, ꯋꯥꯈ꯭ꯔꯕꯖꯥꯠꯅꯤꯗꯥ ꯐꯝꯕꯁꯤꯁꯨ...!

খোংজোম নুমিৎ থৌরম পাঙথোক্লবা শেম শাবা লোইখ্রে

নীংতম্বদা শীংনরকপা খুদিংমক থেংননবা ৱাশক লৌরসি : গভর্ণর

ইম্ফাল, এপ্রিল ২২ (ঐচ এন এস): মরৈবাক্কী নীংতম্বা ঙাক্লনবা খোংজোমগী খেবা চীংদা শোক্লখিবা নীংতম লানফমদা থৱায় কৎখ্রবা অথৌবশিংগী মফমদা হয়েং ইকায় খুম্নবা উৎননবা শেম শাবা লোইখ্রে।

মণিপুর লৈঙাক্লা শীন্দুনা খেবা চীংদা লৈবা খোংজোম ৱার মেমোরিএলদা পাঙথোক্কদবা মপুং ওইবা থৌরমদা মণিপুরগী গভর্ণর ডা. নজমা হেপ্তুলা অমসুং চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা চীফ গেষ্ট অমসুং প্রসিদেন্ট ওইগনি।

খোংজোম নুমিৎ থৌরমগা মরী লৈননা মণিপুরগী গভর্ণর ডা. নজমা হেপ্তুলানা মীয়ামদা পীবা য়াইফ পাউজেলগী চেরোলনা হায়, লৈবাক অসিগী নীংতম্বদা শীংনরকপা খুদিংমক থেংননবগী নৌহৌননা ৱাশক লৌরসি। মমা লৈবাকপু নীংতম্বগীদমক থৱায়না পোন্থা পীখিবা মণিপুরগী অথৌবশিংবু নীংশিংদুনা চহী খুদিংগী এপ্রিল ২৩ বু খোংজোম নুমিৎ হায়না থৌরম পাঙথোকই। য়েক্লবগী মফমদা চঙজবগী ৱাখল য়াওদনা মালেমদা খ্বাইদগী মপাঙ্গল কল্লবা বৃটিশকী মায়োক্তা মণিপুরগী অথৌবশিংনা মমা লৈবাক্কীদমক্তা থৌনা ফনা লান্থেংনখি হায়নসু মখা তারি।

কুমজা ১৮৯১ গী মণিপুরগা বৃটিশকা শোক্লখিবা খোংজোম লানদা থৱায় থাখ্রবা অথৌবশিংগী নুমিৎনা লাকপদা ঐখোয় মশেলগী মরক্তা খেন্নবশিং কাউথোক্লদুনা খুন্নাই অসি শেমগৎ-শাগৎপগী থবক্তা অমুক হন্না কখোক্লসি হায়না গভর্ণরনা পাউজেল পীরি।

মণিপুর লৈঙাক্লা শীন্দুনা হয়েং পাঙথোক্কদৌরিবা খোংজোম দেগী থৌরম অসিদা শরুক য়ানিংবা মীয়ামগীদমক লৈঙাক্লা গাড়ী শিনগদৌরি। হয়েং অয়ুক পুং ৬.৩০ তাবদা লো ফ্লোর বস অমদি ওর্দিনরি বস ৫ অহানবা মণিপুর রাইফলস পেরেদ গ্রাউন্দগী মমাঙ অমদি এম এস আর টি সী কমপ্লেক্স মোইরাংখোমগী মমাঙদা থমগনি। শরুক য়ানিংবশিংনা খোংজোম দেগী থৌরম অসি য়াওবা চৎপা অমদি হল্লকপগীদমক গাড়ীশিং অসি শিনগনি হায়না দিরেক্টোরেট ওফ ট্রান্সপোর্টনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, লো ফ্লোর বস অমদি ওর্দিনরি বস মঙা হয়েং অয়ুক পুং ৫.৩০ তাবদা অহানবা মণিপুর রাইফলসকী মমাঙথংবা শরুক অমদি এম এস আর টি সী কমপ্লেক্স মোইরাংখোমদা থাগনি। মীয়াম্না গাড়ীশিং অসিদা তোংলগা চৎপা য়াগনি। হল্লকপগীসু গাড়ীশিং অসি থৌরাং তৌগনি। লো ফ্লোর বস অনীনা কোইরেঙ্গৈ, চীংমৈরোং, পোরোম্পাৎ, নাওরেমথোং জঙ্কসন ফাওনা অয়ুক পুং ৬.৩০ দগী চৎপা হৌগনি। খোংজোম দেগী থৌরমদা শরুক য়ানিংবশিংনা লৈঙাক্লা থৌরাং তৌরিবা গাড়ীশিং অসিদা তোংলগা চৎপা য়াগনি হায়রি।

অমরোমদা, হয়েং অথৌবশিংবু ইকায়খুম্নবা উৎপা সাইকল রেল্লি অমা এমসুনা শীন্দুনা খোঙশানগনি হায়না লূপ অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি হাওবিজম চলাম্বনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখ্রে। খোঙচৎ অসি হয়েং অয়ুক পুং ৮ তাবদা ডি এম *...মখা লামায় ৩ কলম ১*

ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্টনা নাগাশিংগী ৱারোইশিন পুরক্লোই : জয়কিষন

ইম্ফাল, এপ্রিল ২২ (ঐচ এন এস): ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্টনা নাগাগী ৱারোইশিন পুরক্লোই, বি জে পিনা এন এস সী এন (আই-এম)বু খুৎলাই ওইনা শীজিন্নবনি হায়না থাংমৈবন্দ এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী এম এল এসু ওইরিবা মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটিগী ৱাঙাঙলোয় খুমুকচম জয়কিষননা মরাল শীখ্রে।

ঙসি নমথানলোং খুলদা পাঙথোকখিবা নমথানলোং য়ুথ ক্লব, থাংমৈবন্দগী দাইমন্দ জুবিলি সেলেব্রেসন হৌদোকপগী থৌরমদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা খুমুকচম জয়কিষননা হায়খি, ইন্দিয়া লৈঙাক অমদি এন এস সী এন (আই-এম) অনীনা কুমজা ২০১৫ গী ওগষ্ট ৩ দা পিছ টোক তৌদুনা ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্ট অমা সাইন তৌনখিবা অদুনা নাগাগী ৱারোইশিন পুরক্কদবা নত্তে। ৱাফম অসি বি জে পিনা করিগুম্বা লাল্লে হায়বা তারগদি নুমীৎ কয়ানিগী মনুংদা ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্ট লোইশিনগদগে হায়বদু মীয়ামদা ময়েক শেংনা খঙহনগদবনি। বি জে পিনা মণিপুরদা ঈং-তপ্পা পুরকপা পান্বা নত্তে। লালহৌববু খুৎলায় ওইনা শীজিন্নবনি। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমদি বি জে পিগী প্রসিদেন্ট অমিট শাহনা ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্টতা মণিপুরগী ইন্টরেষ্ট শোকপা অমত্তা য়াওদে হায়রবনিনা কোংগ্রেসনা ঙসি নাগা সোল্যুসনবু ৱেলকম তৌই। ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্টকী ৱাফম নাগালেন্দগী চীফ মিনিষ্টরনা য়ারে হায়না লাউথোকখ্রগা হৌজিক য়াদ্রিবসি কনানো হায়বা ৱাফম লাক্লি। বি জে পিনা এন এস সী এন (আই-এম)গী ৱারোইশিন পুরকপা পান্বগী মহুত্তা মীখলগী খুৎলায় ওইনা থন্বা পান্মী। এন এস সী এন (আই-এম) না চিনাদা চৎলোরা হায়বা ৱাফম থল্লকপা অসি বি জে পি লৈঙাক্লা মখোয়বু শান্নরিবা মওং অদু খঙবা হৌরকপদগীনি। মণিপুরদা ঈং-তপ্পা পুরক্কে হায়রবদি বি জে পিনা পুকচেল শেংবা নুমীৎতা পুরক্কনি। লালহৌববু মীখল অমদি লৈঙাক শেম্বদা খুৎলায় ওইনা শীজিন্নবা, দেমোক্রেসিগী ৱাহন্থোক লৈহন্দবা পুম্নমক অসিগী মায়োক্তা মীয়াম্না অমত্তা ওইনা লেপ্পলবদি চীংমী-তম্মী পুন্না নুংশিননা লৈবা ঙমগনি।

চাউখৎ-থৌরাংগী লমজেলদা মাঙজিল থাবা লমদম অমা ওইহন্নবা ঐখোয় পুম্নমক্লা হোৎনমিন্নরসি। এদ্যুকেসন *...মখা লামায় ৩ কলম২*

মহৌশাগী খল ঙাক্লবগী থবক পায়খৎনবা খন্নরি : শ্যামকুমার

ইম্ফাল, এপ্রিল ২২ (ঐচ এন এস): পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা মণিপুর ষ্টেট ফিল্ম দিভলপমেন্ট সোসাইটি (এম এস এফ দি এস)গী ওদিটোরিয়মদা ঙসি ষ্টেটকী থাক্তা ষ্টেট লেবেল আর্থ দে ওবজার্ভেসননা শীন্দুনা ‘ৱর্ল্ড আর্থ দে’ গী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

‘ইনভাইরোনমেন্টেল এন্দ ক্লাইমেট লিটরেসি’ হায়বা থীমদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখিবা ফোরেষ্ট এন্দ ইনভাইরোনমেন্ট, হোর্টিকলচর এন্দ সোইল কঞ্জার্ভেসন, মহুদ এন্দ টাউন প্লান্নিংগী মিনিষ্টর টি ঐচ শ্যামকুমারনা হায়খি, মীপুম খুদিংমক্না মালেমগী থাক্তা ৱাখল খনবগা লোয়ননা লোকলগী থাক্তা থবক তৌদুনা মহৌশাগী খল কায়হন্দনবা হোৎনগদবনি। লৈঙাক্লসু থবক পায়খৎননবা খন্নরি। স্কুলগী থাক্তগী হৌরগা ইনভাইরোনমেন্ট কন্নবগী মতাংদা মীপুম খুদিংমক খুৎশন্নবা থবক থৌরম কয়া লৌখৎমিন্নবা মথৌ তাই।

মহাক্না হায়খি, মহৈরোয়শিংনা মশা মশাগী স্কুল, ময়ুম অমদি লৈকায়দা অহল-লমনশিংগা খুৎশম্নরগা উ-চারা কয়া থাবা য়াই। অন্দ্রো এসেমব্লী কনষ্টিট্যুএন্সিগী মনুং চন্না লৈবা গভর্ণমেন্টকী স্কুলশিংদদি ঙল্লিঙৈ মতমদগী ইনভাইরোনমেন্ট ঙাক শেন্নবা থৌরাং লৌখৎপা হৌখ্রে। ইনভাইরোনমেন্ট কন্নবা স্কুলগী থাক্তগী থবক পায়খৎপা হৌরবদি রিজনল, নেসনল অমদি গ্লোবেলগী থাক্তা মতম অমুক্তদা পুন্না থৌরাং লৌখৎমিন্নবা য়াই। লাইওইখ্রবা ইপা-ইপুশিংনা মালেম অসিবু ঙাক শেন্দুনা থম্লকখি। হৌজিক্তি তুংগী মীরোলগীদমক মালেমবু কন্নবা থৌরাং লৌখৎপগী মতম লাক্লে।

মোদর্নাইজেসন্না ইনভাইরোনমেন্টতা চৈথেং পীরি হায়না পল্লদুনা মিনিষ্টর শ্যামকুমারনা হায়খি, চীংদা অশং-অমান কোকশিল্লকপা, পাৎ অমদি উচেকশিং উবা ফংলক্তবা হায়বসি ইনভাইরোনমেন্ট শোক-চিল্লকপগী খুদমনি। ষ্টেট অসিদা মহৌশাগী পোথোক মরাং কায়না ফংই। অদুবু মীওইবনা করাম চাউবা মওংদা থবক থৌরম কয়া লৌখৎপদগী মহৌশাগী খল কায়রক্কুনা গ্লোবেল ৱার্মিং থোকহল্লকপনি।

থৌরম অদুদা তীনখিবা মীয়ামদা মিনিষ্টরনা হায়খি, মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংনা তমেংলোং, উখ্রুল, কাংপোকপী, সেনাপতি, জুকো তম্পাক, ক্বাথা অমদি মোরে য়াওনা মফম কয়াদা ঈশিং য়োক্কুনা থম্নবা অমদি *...মখা লামায় ৩ কলম ২*

ঐচ এস এল সী ইগজামগী ৱাহং পাক-শন্না লানবগী হ্বাইট পেপর পুথোক্কদবনি : দেসাম

ইম্ফাল, এপ্রিল ২২ (ঐচ এন এস): বোর্দ ওফ সেকেন্দরি এদ্যুকেসন মণিপুরনা লৌবা হায় স্কুল লিভিং সর্টিফিকেট ইগজামিনেসন ২০১৬-১৭গী চাংয়েংদা সবজেক্ট অয়াম্বগী ৱাহংশিং পাক শন্না লানবা থেংনরে, ৱাহংশিং কমদৌনা লানহনখিবনো হায়বদুগী হ্বাইট পেপর অমা পুথোক্কদবনি হায়না দেসামনা দিমান্দ তৌখ্রে।

শগোলবন্দ মৈনো লৈরক্তা লৈবা দেমোক্রেটিক ষ্টুদেন্ট’স এল্লাইন্স ওফ মণিপুর (দেসাম)গী ওফিসতা পাউমীশিংগা উনবদা লূপ অসিগী সেক্রেটরি নামৈরাকপম এদিসননা হায়খি, হৌখিবা মার্চ ১৭ তগী এপ্রিল ৪ ফাওবা পাঙথোকখিবা চাংয়েং অদুদা পাক্তক্লনা ৱাহং লানবগী থৌওং থেংনরে। মহৈরোয়শিংগী য়াম্না মরু ওইবা তুংগী লম্বী শেম্নবগী মরুওইখ্রবা চাংয়েং অসিদা ৱাহং লানহন্দনবা তোঙান-তোঙানবা থৌশিলশিং লৈরিবনি। থৌশিলশিং অদুগী মনুংদা ৱাহং শেল্লিবা কাঙবু, মদুবু য়েংশিন্ননবা কাঙবু অমসুং অরান-অহুই চুমথোক্লনবা কাঙবু থল্লিবনি। অসুম্না তাঙ্কক অমদগী তাঙ্কক অমা ফাওবা চেকশিন্না শেম শারগা পুথোরকপা ৱাহং লানবগী মরমসি কদায়দগীনো, কমদৌনা থোকখিবনো অমসুং পাক্তক্লনা লানবগী মরম করিনো হায়বা বোসেমগী চ্যেরমেননা হ্বাইট পেপর অমা পুথোক্তুনা খঙহনগদবনি।

মহাক্না মখা তানা হায়খি, সোসল সাইন্সকী সবজেক্টতা ৱাহং নম্বর ১৭, সাইন্স সবজেক্টতা ৱাহং নম্বর ১১, মেথমেটিক্সতা ৱাহং নম্বর ৩০ লাল্লি। মণিপুরীদা ৱাহং নম্বর ১২, ইংলিশ সবজেক্টতনা বনান লানবা ৱাহৈ কয়ামরুম য়াওবা অমসুং পাউখুম লৈতবা ৱাহং (ক্বেসন নম্বর ১৫ বি) কয়াসু য়াওই। অখণ্ড-অহৈশিংনা ৱাহংচেশিং অদুগী মতাংদা নৈনবদা বনান লানবা কয়াসু য়াওই হায়রি।

ইংলিশ লোলদা ইবা ৱাহং মীতৈ ময়েক অমসুং বেঙ্গলি ময়েক্লা ইথোক্লগা মীতৈলোলদা হন্দোকপদা অরানবা ময়াম অমসুং য়াওরে। মেথমেটিক্সকী ওইনা লাল্লিবসি গ্রামাটিকেল ফোর্ম শোয়বা ৱাহং হংবদা, বনান লানবা অমসুং মেথমেটিক্সকী ন্যুমরিএল ফিগর উৎপদসু অরানবা কয়ামরুম য়াওরে।

ফীভম অসিদা দেসামনা হংনিংলিবদি মহৈরোয়শিংগী মরু ওইখ্রবা *...মখা লামায় ৩ কলম ৬*

দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্দা তেংবাংনবা সিনিয়র ওফিসর অমমম হাপখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২২ (ঐচ এন এস): দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন, মরুওইনা এ দি সীগা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিং মওং মরিল চুম্না পায়খৎপা ঙম্নবগীদমক সিনিয়র ওফিসর অমমম দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগী থবক থৌরমদা মতেং পাংহল্লগনি।

গভর্ণরগী মিংদা সেক্রেটরি (দি পি) এন অশোককুমারনা থোকখিবা ওর্দর অমগী মতুংইন্না এম ঐচ খান, আই এ এসপু চুড়াচান্দপুর, ফেরজোলদা; পি ৱাইফৈ, আই এ এসপু সেনাপতি, কাংপোকপীদা; বিনিত জোসি, আই এ এসপু উখ্রুল, কামজোংদা; পি কে সিংহ, আই এ এসপু চান্দেল, তেংনৌপলদা অমসুং ভি কে দেৱানগন, আই এ এসপু তমেংলোং, নোনেদা এসাইন তৌরে হায়রি।

ওফিসরশিং অসিনা মণিপুরগী চীফ সেক্রেটরিদা রিপোর্ট তৌবগা লোয়ননা মখোয়না লৌগদবা মরুওইবা থৌদাংশিংদি, দিষ্ট্রিক্ট লেবেলদা পায়খৎপা প্রোজেক্ট য়েংশিনবা, এ দি সীনা পুখৎলকপা ৱাফম য়েংশিনবা, লাইন দিপার্টমেন্টশিংগা কোওর্দিনেসন লৈহন্নবা হোৎনবা, থা খুদিংগী তঙাইফদনা অমুকরক দিষ্ট্রিক্টতা চৎতুনা য়েংশিনবা, থা খুদিংগী তাং ১ অমসুং ১৬ তা মীয়ামগা উনদুনা মীয়ামগী ৱাকৎ তাবা অমসুং লৈঙাক্লা শিন্নবা অতৈ থৌদাংশিং লৌবা অসিনচিংবনি।

থাউ টেঙ্কর অনীদা নোংমৈ কাপশিনখিবদু পিপল’স ৱার গ্রুপ্পনি হায়না ক্লেম তৌরক্লে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২২ : কাংপোকপী অমদি চালৌবুং অনীগী মরক্তা হৌখিবা এপ্রিল ১৮গী অয়ুক্কী পুং ৫ তাবা মতমদা ওইল টেঙ্কর অনীদা নোংমৈ কাপশিল্লকখিবা অদু পিপল’স ৱার গ্রুপকী গুরিলা ফাইটর অমা ওইরিবা রেদ গার্দশিংনা চত্থখিবনি হায়না লূপ অসিনা ক্লেম তৌরক্লে।

কংলৈপাক কম্যুনিষ্ট পার্টি পিপল’স ৱার গ্রুপকী সেন্ট্রেল মিদিয়া কোওর্দিনেটরগী সেক্রেটরি লেনিন মৈতৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ওপরেসন কোল্ড হার্টকী মনুং চন্না খুৎ থাদুনা লান্দা অদু চত্থখিবনি। মণিপুরগী দি জি পিনা আই ও সীগী রিটেল মার্কেটিং মেনেজরগা লৌতুনরগা য়ুনাইটেদ ফ্রন্ট অসিবু লৈবাক মীয়ামদা লুট-পাৎ তৌবা মাফিয়া অমগুম উহনবা কোংগ্রেস লৈঙাক হাক্তক্তগী মখোয়না য়োক্কুনা থম্বা কে আর এগী কাদরশিংবু মিদিয়া হাউসতা পুথোক্লগা মরী-মখোঙ শম্নদনা এম্বুশ অদুদা চেন্নবা ফারে হায়বসি লৈবাক মচা তাদবা থৌওংনি।

করি মরমগীদমক ওইল টেঙ্কর অনীদা নোংমৈ কাপশিল্লিবনো হায়বগী মতাংদা চেরোল অসিনা হায়, কংলৈপাক্তা ইকনমিক ব্লোকেদকী সেঞ্চুরি য়ৈবগী পুৱারী অমা হাংদোকখ্রে অমদি মখোয়গী লৌনম লৈঙাক মরা চেৎশিনহন্নবা সেটলাইট গভর্ণমেন্ট অমসু খুৎলিংখিবা ঐখোয়গী লৈবাক মীয়াম্না উবা ফংলি। অদুম ওইনমক অৱাবা পোৎলুম থাংহৌবদি কংলৈচাশিংতনি হায়বদা থোইনা লাল্লোই হায়না পিপল’স ৱার গ্রুপনা লৌই হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়, ইন্দিয়ন ওইল কোর্পোরেসন (আই ও সী)গী হ্বাইট কলর মেছিনরি অমা ওইরিবা দিভিজনেল মেনেজর, রিটেল মেনেজর য়াওনা ব্লেক মার্কেটতা ওইল থাদোকপগী কলচর অমা চাওনা ইকনমিক ব্লোকেদকী চৈরাক্তা পুশিল্লক্তুনা লৈবাক মীয়ামদা অমুক লূ-কোকপদা লেন তাবগা পাঞ্জুক ওইখিবা অসিনি। হায়রিবা থৌওংশিল অসিদা কংলৈপাক্তা *...মখা লামায় ৩ কলম৪*

হিদাক ৬০ মতিক ময়াই য়াওদে হায়না সী দি এস সী ওনা লাউথোকখ্রে

ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ২২ (এজেন্সী) : ইন্দিয়াদা য়োল্লিবা দ্রগশিং য়েংশিনবগী থবক তৌরিবা সেন্ট্রেল দ্রগস ষ্টেন্দর্দ কন্ট্রোল ওর্গনাইজেসন (সী দি এস সী ও) না দি-কোল্ড টোটেল অমদি কোম্বীফ্লেম য়াওনা মীয়াম্না পাক-শন্না শীজিন্নরিবা হিদাক মখল ৬০ সব-ষ্টেন্দর্দ ওই হায়না লাউথোকখ্রে। মমাঙ থাদা সী দি এস সী ওনা চাংয়েং কয়া তৌরবা মতুংদা মীয়াম্না পাক-শন্না শীজিন্নরিবা হিদাক মখল ৬০ মগুন য়াওদে হায়না লাউথোরকখিবনি। সব-ষ্টেন্দর্দ ওইরে হায়না লাউথোরকখিবা হিদাকশিংগী মনুংদা পেনকিল্লর, এন্টি এলর্জি, লাইহৌ, লোক থুংবা, খোঙ হান্বা য়াহন্নবগী হিদাক কয়ামরুম য়াওরি। কেলসিয়ম অমদি আইরন সপ্লিমেন্ট খরসু সব-ষ্টেন্দর্দ ওইরে হায়রি। হিদাক মখল খরদি সিপ্লা, কেদিলা অমদি সেনোফিনচিংবা মমিং লৈরবা কম্পেনিশিংনা পুথোকপনি। মগুন য়াওদবা হিদাকশিংগী লিষ্টতা য়াওরিবশিংদি, এমোক্সিসিলিন এন্দ ক্লোক্সাসিলিন কেপসুল, জেন্টামাইসিন ইঞ্জেক্সন, সেফট্রিয়াজোন ইঞ্জেক্সন, মেট্রোনাইদাজোল টেব্লেট, সেটিরিজিন টেব্লেট, ওফ্লোক্সাসিন দিস্পর্সিবল টেব্লেট, পেরাসিতামোল, কেফিন এনহায়দ্রস অমদি ফেনাইলইফ্রিন ঐচ সী এলগী টেব্লেট (অনৌবা দি কোল্ড টেব্লেট), পেন্টোপ্রাজোল, এটিনোলোল টেব্লেট, বিটামিন দি থ্রী য়াওবা কেলসিয়ম কার্বোনেট (ওসোকেল-৫০০ টেব্লেট), কোম্বিফ্লেম (আইবুপ্রোফেন অমদি পেরাসিতামোল টেব্লেট), সাইপ্রোফ্লোক্সাসিন টেব্লেট, আইবুপ্রোফেন টেব্লেট, সিপ্রো-৫০০ টেব্লেট অমদি ফেরস সলফেট অমসুং ফোলিক এসিদকী টেব্লেট অসিনচিংবনি।

‘শীজিন্নফম চানা শীজিন্নরবদি সাইবর ক্রাইম হন্থহনবা ঙমগনি’

ইম্ফাল, এপ্রিল ২২ (ঐচ এন এস): মালেমগী হোংলক্লিবা সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজিগী চাউখৎপা মরক্তা ইন্টর্নেট মফম চানা শীজিন্নবা ঙল্লবদি সাইবর সিক্যুরিটি ক্রাইম হন্থহনবা ঙমগনি হায়না এ দি জি পি(ইন্টিলিজেন্স) পি দৌঙেল, আই পি এসনা হায়খ্রে। ৱাফমসি নেসনল ইন্সটিট্যুট ওফ ইলেক্ট্রোনিক্স এন্দ ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজি (এন আই ঈ এল আই টি) অমদি মণিপুর পুলিস টেলিকোম ওর্গনাইজেসন, ইম্ফাল ৱেষ্টনা শীন্দুনা ফার্ষ্ট মণিপুর রাইফলস কমপ্লেক্সতা লৈবা টেলিকোম ওফিসতা পাঙথোকপা থৌরমদা ফোঙদোকখিবনি। সাইবর সিক্যুরিটি এৱ্যেরনেস কম ঈ-ৱেষ্ট মেনেজমেন্ট সিষ্টেম হায়বসিদা পাঙথোকপা নোংমগী ওইবা ৱার্কশোপ অদুদা পি দৌঙেলনা হায়, সাইবর সিক্যুরিটিদা ক্রাইম থোকহল্লিবসি পুলিসখক্তনা থিংবা ঙম্লোই। অদুমকপু পুলিসশিংনা নোংম-নোংমগী হেনগৎলক্লিবা ক্রাইমশিং হন্থহন্নবা হোৎনবদা মতম চানা ঈ-পাউ ফাওদোক্লবা চঙই। হৌগৎলক্লিবা নহাশিংসু সাইবর ক্রাইমদগী থিংননবা মমা-মপা অমদি লোকেলিটিশিংনা শেন্নবীবা চঙই হায়খি। থৌরমদুদা প্রসিদেন্ট ওইখিবা *...মখা লামায় ৩ কলম ২*

চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিং শীন-থুংনা য়ৌহন্নবা পান্দম থল্লি : সী এম

ইম্ফাল, এপ্রিল ২২ (ঐচ এন এস): চাউখৎ-থৌরাংগী থবকশিং চীং অমসুং তম শীন-থুংনা য়ৌহনবা হায়বসি লৈঙাকসিগী মরুওইবা পান্দমনি হায়না চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা ফোঙদোকখ্রে।

বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ওফিসতা পাঙথোকখিবা পার্টি অসিদা নৌনা চঙলক্লবা ৱাঙ্গৈই ম্যুনিসিপাল কাউন্সীলগী চ্যেরপার্সন য়াওনা কাউন্সীল্লর ৫, মেম্বর ৯ অমদি চুড়াচান্দপুর এ দি সীগী মেম্বর ২৫ বু তরাম্না ওকপগী থৌরমদা মহাক্না হায়খি, চীং-তম থোং মান্ননা চাউখৎহন্ন-বগীদমক লৈঙাক অসিনা অখন্নবা মীৎয়েংগা লোয়ননা থবকশিং পায়খৎলি। বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক ষ্টেট অসিদা লৈরকপা থা অমা খরা হেল্লকপদা ঙাইরি। চীং-তম থোং মান্ননা চাউখৎহন্নবা হোৎনরক্লিবা কয়া অসিবু থাজবা থম্বীদুনা পার্টি অসিদা লেপ্তুনা য়াওনরক্লি। চুড়াচান্দপুর এ দি সীগী মেম্বর ২৫ সু পার্টি অসিদা য়াওরক্লে। ৱাঙ্গৈই ম্যুনিসিপাল কাউন্সীলগী চ্যেরপার্সন য়াওনা কাউন্সীল্লর মঙা অমদি মেম্বর মাপনসু য়াওরক্লে। মখা তানা এ দি সী মেম্বর কয়া অমসু য়াওরক্লগনি হায়বগী থাজবা লৈরি।

চুড়াচান্দপুরদা হৌজিক মীওই ৮ গী অশিবা হকচাং অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোক্তনা লৈরি। অসিগুম্বা ইস্যু কয়া সী সী পুরদা লৈরিবনি। চুড়াচান্দপুর এ দি সীগী মেম্বর ২৫ না বি জে পিদা য়াওরকপা অসি য়াম্না অফবা অমনি। চুড়াচান্দপুরদা হৌজিক মীওই ৮ গী অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোক্তনা লৈরিবা অসি পাঙথোকহন্নবগীদমক সোল্যুসন অমা পুরক্লবা হোৎনবদা এ দি সী মেম্বরশিংনসু অচৌবা থৌদাং লৌবীয়ু।

বি জে পিনা পুকচেল শেংনা মীয়ামগীদমক থবক তৌরক্লিবা কয়া অসিদা পার্টিসিদা থাজবা হেনগৎলক্লি। মণিপুর পুম্বদা বি জে পি ঙাক্তা ঙাইরক্লগনি। চীং-তম থোং মান্ননা চাউখৎমিন্নবা লমদম অমা ওইহন্নবগীদমক হোৎনগনি। তঙাইফদবা মফমশিংদা চাউখৎ থৌরাংগী শেনফমশিং থাদদুনা থবকশিং পায়খৎপা তাই। উখ্রুলদসু শেনফম কয়া চাউখৎ থৌরাংগীদমক কায়থোকপা লৈরিবনি। মথৌ তাবা মফমশিংদা চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিং পায়খৎকনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট কে ভবানন্দনা হায়খি, বি জে পিনা কখোকপগা লোয়ননা মীয়ামগীদমক থবক তৌরি। ষ্টেট অসিদা চাউখৎ থৌরাংদা হেন্না খুম্মাং চাউশিন্না চঙশিল্লক্লগনি হায়বগী থাজবা লৈরে। বি জে পিনা লুচিংবা *...মখা লামায় ৩ কলম ৪*